হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, মে ০৭, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ৪১শুবা মশীং

## মান্নদবা ৱাখল্লোনশিং মান্নহল্লসি

### অমত্তা ওইনা চঙশিল্লসি

মীগী লোলদা 'য়ুনাইটেদ ৱি ষ্টেন্দ, দিভাইদেদ ৱি ফোল' হায়না লৈবগুম্না মীতৈ ঐখোয়গী ওইবদসু অসিগুম্বা ফজরবা অমসুং ককনীংঙাই লৈতবা ৱাফম ময়াম লৈ। মখোয়শিংদুগী মনুংদা 'তরাগী চৈশুনা লেংথোং ফাই' হায়বা লৈ অদুগা 'পুমিন্নবা য়াংই চামিন্নবা হাওই' হায়বনচিংবসু লৈ। অদুবু ৱাহৈশিং অসিনা পীরিবা ৱাহন্থোক্তি চপ মান্নে, অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা, ৱাখল্লোন মান্নবনা হীরম খুদিংমক্কী থবক-থৌরমশিংদা মাঙজিল থানা মায় পাকহল্লি হায়বসিনি। অদুগা পূক্নিং-ৱাখল মান্নদবা অমসুং মচোই তানবনা তোংজ গদবদগী মাঙজবনা শরুক ১০০ হেল্লি হায়বসিসু হৌখ্রবা পুৱারীশিংনা ফাওবা তম্বীদুনা লাক্লবা পারানি। মণিপুরনা অদুঙৈ কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৩গী খোংজোমদা শোক্লখিবা এঙলো মণিপুর ৱারদা মায়থীদুনা চহী ৫৬ বৃটিশকী মখাদা লৈখ্রিবদুগী মরমশিং পুৱারী লামায় কয়ানা মীরোল খুদিংগী চোকথবা লৈতনা তাক্লক্লিবনি। লৈবাক্কী ৱায়েল চূপ্লি খুৎপায়নবা অঙম্বা নিংথৌ মচা মশেলগী মরক্তা ৱাখল মান্নরক্তবদগী নিংথৌ ফম মিকানদুনা নাকপাক তানরকপদগী বৃটিশনা খূৎ থিংজিল্লক্তুনা মণিপুরবু খুদুম চেৎনা পায়শিনখিবনি। থৌদোক অসিমক্লা পূক্নিং ৱাখল অমসুং লিংজেল মান্নদবগী মাঙজবশিংগী ময়েক লারবা খুদমনি হায়না লৌবা য়ারবনি। অদুবু মাঙদা খোংজোম লান তাদুনা লৈরবসু লানফমসিগী নুমিৎপু এপ্রিল ২৩ অমসুং এপ্রিল ২৫নি হায়দুনা হৌজিক হেক ফাওবদা অনী থোক্লা তোঙান-তোঙান্না পাঙথোক্লরিবসিনবু মণিপুরগী মীয়াম কদাই ফাওবা য়ৌনা য়ুনিটি লৈরম্লগদগে? লিংজেল মান্নরম্লগদগে? অদুবু হৌজিক ওইরিবা, লৈরিবা মণিপুরগী খ্বাং কোইরিবা ফীভমশিং অসিনা ঙকশম য়ৌশিল্লক্লবা ফাওবদা ষ্টেটসিদা ইশম শম্বদা পূম্নমক্লা তোয়না হায়নবা 'অনী থোকপী' হায়বদুগী ফীভমদা অদুম্মক লৈহনববু অচুম্বা অশিংবা মীওইশিংগী থবকনি হায়দুনা লৌবা চুমগদ্রা? ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী মতুংইন্নদি বোর্দর ষ্টেট অমসু ওইরিবা মণিপুরগীদমক কন্সটিট্যুসনল সেভগার্দ ওইহন্নবগীদমক লৈবাকসিগী চৎন-পথাপসিদা স্পেসল ষ্টেটস অমগী তঙাইফদবা লৈরকপদৌনা তৌরক্লি। মসি হায় হায়দুনা মণিপুরগী মীয়াম্বু লৈবাকসিগী য়াম্লবা মীওইশিংগী মরক্তা পুকচেল পীকপা অমসুং মশাগীতা খনবনি হায়দুনা লৌফমসু থোক্তে।

মরমদি পাক-চাওখ্রবা মালেমসিদা লৈরিবা ফুরুপ-কাঙলূপ খুদিংমক্কী কাঙ্খুল মূৎখিদনবা মখোয় মশা-মশানা হোৎনজবা অমসুং মখোয়বু ৱায়েল থৌদারিবা অঙম্বশিংনা হোৎনবিবা হায়বসিদি মশানা তাবা ৱাফমনি। তৌফম থোকপা থবকসুনি। মসি ওইরগদি পৱার পায়বা, লো শেম্বা ঙম্বা অঙম্বশিংনা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগীদমক হায়ন-হৌনরুবা নাইদনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলক্ত্রবসু মখোয়গা মায়োক্নবা মায়কৈদা পুল্লপ লেপ্লিবা মীয়াম্নদি চপ মান্নবা লিচিং অমগী মখাদা অকনবা লংলা অমনা চেৎনা পুন্দুনা অমত্তা ওইনা তান্ন-তিক্নফম থোক্তব্রা, অঙম্বশিংদা তকশিনফম থোক্তব্রা হায়বসিনি। মসিনা পীক্লবা মণিপুরগী মীয়াম অপূনবগী ওইবা ৱাফমনি। অদুবু ফুরুপ-কাঙলূপ মচা-মচাশিংগী মরক্তসু অমগা অমগা পুনশিন্নবা য়ানদদুনা খোঙচেপ হাইনরকপগী থোকচিল্লক্লিবা থৌদোকশিং অসিসু লাইবক থীবনি অমসুং থোকহন্নীংদবা থৌদোকনি হায়দুনা লৈথোকপনসু ফুরুপ মচা-মচাশিং অসিগীদি কান্নবদগী মাঙজবনা হেনগনি। হৌজিক্কী মতমসি য়াম্না থেংথরক্লবনি। অদুবু থেংলবসু থেংনা তৌদবদি য়াদবনিনা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নাখৈ শেংদোক্লবা, অমগা অমগগী মশক মুন্না খঙদোকমিন্নবা, নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নদুনা মায়োক্নরিবা কম্মন ইস্যু, কম্মন প্রোব্লেমশিং অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নহৌবা চুমগনি খল্লি। কাঙখুল মূৎখ্রকান্দা ৱারীনহৌবা, পুৱারী ওইনা নৈনহৌবনা মূৎখ্রবা ফুরুপ অমসুং ফুরুপ্তুগী মীরোলশিংবু অমুক হঞ্জিলহল্লকপা ঙল্লোই। মরম অসিনা পীক্লবা ষ্টেটসিগী পীকখ্রবা ফুরুপশিং অসিগী মশেক মঙালশিং শিথহল্লক্তুনা মূৎখিনবগী ফীভমদা লাক্লিবশিংসিদগী কলহৌনবা থবকশিং পায়খৎলগদবনি। থবকশিং অসি পায়খৎপদা মশাগীতা খনবা, য়াম্না পুকচেল পীকশিনবগী অখুবা থৌশিল ওইরোই। মশা মশাগা য়েলহৌঙৈদগী শাগোন্নজরক্লবা পোক্নফম মরমদমদা হায়রিবা ফুরুপশিং অসিগী মীয়াম মায়নোরিটি তারক্কদৌরে। মশাগী লোয়নজরকপা লোল, ময়েক, লাইনীং-লিচৎ, চৎনবী-নাৎ পূম্নমক মথক মখা থোক ওন্থোক্তুনা শীংকুপ শানা য়ানখায়রগা শীংজু তাহল্লকপগী ফীভমদা লৈরক্লে হায়বনি। মশ্বাইদা তরেৎ-তরা থোক্লা, কোইথোক-শন্দোক্লা হায়রুদ্রবসু মিৎনা য়েংবদদা ৱাখল তাহনবগী ফীভমসু ওইহন্নীংই। মরম পূম্নমকশিং অসিনা 'অনী থোকপী' গী ৱাখল লাপ্না হুন্দোকখ্রগা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা করি কমদৌসিগে হায়বদু খন্নহৌবা চুমগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪১

১) অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী মনুংদগী ৱারী অনীখক, **"য়াম্না হকচিনবা নুংশি নুংওনগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা ঙাক্তনি। অনীমক পাখঙ লৈশাবী, নুংশিনবা ৱানা থুংনবা নৎত্রগা কায়নবা নত্তে। য়ূম পাল্লবা, নুংশিননা লৈরবা তুংদা কায়নবা অমসুং অঙকপা থৌনাগা লোয়ননা হঞ্জিন্নবা ঙাক্তনি।"** ৱারী অনীসি মমিংসু ওইরিবা লাইরিক্তু করিনো?

২) **"মিৎয়েং অমা"** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

৩) **"ত্যাগ পত্র"** হায়বা ওরিজিনেল লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা করি মমিং থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) ***"লীগী লীশাগা শম্নবা/খূৎনা পায়বগুম লৈরিবা/চাংজৌ নীঙজোন্দে তাখ্রবা/গম্ভীরা তুরেল মহাক্কী/অমুবা লাইজ চরৈবু/হাইদোক্লগা কুমথরকপা/নঙনা লম্ফৈ চৎলুবদি/য়াম্না লুনা থোক্লরনি।/মহাও খঙলবা কনানা/খ্বাঙদৈ চরৈ নান্থখ্রবী/নুজা মাবু হুন্দোক্তুনা/খোঙশানবা ঙম্বা য়াওবগে?"*** শৈরেং মতেক অসি মহাকবি কালিদাসকী "মেঘদুত" হায়বদুদগী মণিপুরী অনুবাদতগীনি। অনুবাদ তৌরিবসি কনানো?

৫) ১৯৪৯ ইং নবেম্বরদা অহানবা নম্বা **"ইখৌ-লাংবা"** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অকাউবা অমদগী

## (ৱারী অমত্তুংগসু লীজখিগে ঙসিসু, কমেন্ট পীবিরকউ)

### ৱাইরু-ৱাইরুবদা



চহী খরগী মমাঙগী ৱারীনি। অথাপ্পদা মরক মরক্তা নোংমৈ কাপ্পবগী মখোল রাজেননা ইমুংদগী তারি। ঙাইহাক ঙাইহাক কান্নরগা অহৌ অহৌবা বোম মখোল অমা অনীসু য়াল্লি। পুর্ণিমা নুমিৎ ওইবনা য়াচঙবগা ইকান কান্নদনা থাবলসু অদুম ফরি। মচানুপী বেম বেম মশা ঙমদদুনা ঙন্তানা তূমখ্রে। বোম পোকখায়বগী মখোলদু তাবদা রাজেননা বিমোলাদা হায়রকই, "ঙসিদা অৱাং লৈকায়দা লাকপা লম্বী শেম্বা লাক্লিনেনা তৌরিবা কাঙবুসি হৈবু হৈনরম্মরোইদা তৌরিসে, মতম্নগা ফত্তবনে। বিমোলা, তাদ্রা মখোলসে?"

"তাদে হায়বরো, ঐসু ঙসাইদগী মিহুনগসে কৈনোম তৌরিবনি। নঙদি কিজদব্রনে হায়রিবসিবো?"

"ঐবুদি নুপানিনা খরবু ফরি।"

মতৈ মনাউ ৱারী শানরিঙৈ কদাইদৈনো তাল্লক অদুদা অমুক ক্রুক ক্রুক তৌনা লূম্না থাংবা খোঙউপকী মখোলশিং শুমাঙদা তাবা হৌরকই। মখোলদু মখোয়গী মাঙ্গোলদা চপ লেপখি। রাজেনগা বিমোলাগা ৱাদি অমত্তা ঙাঙনদনা মমীৎকা মমীৎকা কিরুক কিরুক য়েংনরগা মতেক অমা লৈনৈ। থবাক্কীমিহুল দং দং চোঙনৈ।

চৈরক্তুদা অমুক তৌরক্লনি হেক খনবগা ইকান কান্নদনা অদুম রাজেনগী মাঙ্গোলগী থোঙপাক্তুদা তক তক থিল্লক্লে।

"থোঙ অমুক্তা হাংবীয়ো, পাবুং। হো তাবিরিব্রো থোঙ অমুক্তা হাংবিয়ো হায়বনি, ইমা? হা ঐখোয়নে।"

"হো ঐখোয়নে ইমা থোঙসে অমুক্তা হাংবিয়ো।"

ঐখোয়নিকা হায়না মপান্দগী মশক মশা উদনা মশক তাক্লিবা মখোয়দুনা থিল্লক্লিবা থোঙদু হন্দক্তি থোক থোকপু নোমই। ঙসিতা রাজেননা মাগী মল্লবা য়ূমগী থোঙ অদু হীল্লক্লে হায়বা খঙলকই।

রাজেনগা বিমোলাগা হৌজিকসু ৱা লান্দি অমত্তা ঙাঙনদনা য়েংবতমক ময়েংনরি। মখোয়না খুম্বীদবদুদা থিনবা লেপখ্রদৌবোই খল্লুরবা থোঙদু মীকুপ অমা অনীগী মতুংদা অমুকসু তক তক থিল্লক্লে। থোঙসি নুপী নঙনা হাংবনা খরা শাফরনি হায়বগী মওংদা রাজেননা বিমোলাদা মিৎচি য়াওবা খূৎনা ইঙ্গিৎ তৌবদগী বিমোলাদু থোঙ হাংননবা হৌগৎলদুনা থোকখ্রে। বিমোলানা থোঙদু হাংবা নংলম নংফাৎত্রিঙৈদা ঙাইঙম শীংঙমদ্রবা মপানগী খূৎ অদুনা থোঙদু অমুক্কসু তক তক নোৎশিল্লদুনা থিল্লকই। বিমোলানা থোঙ অদু তপ্না হাংদোক্লে। থোঙপাক্তু হাংদোকপদা মীৎমাঙদা উরে মশক খঙদবা নুপা অনীখক থোঙজিল মপান্দা চপ লেপ্তুনা লৈরিবদু। অমদি য়াম্না কা হেন্না ৱাং চাউই, ফীভম মুর্ত্তি ফৈ। অমনা খরা নেম্লগা মশা থানা ফূলৈনৈ, মকোইসু মওং অমদা খাকই। মখোয় উরুবদা বিমোলা শ্বর খংফুন ফুনগৎলি। ৱা ঙাঙবা থোক্তে। ঙসাইমখৈ নুপানিনা কিবা খরা শাফৈ হায়রম্বা রাজেনসু নুপা অমা ওইবগী থৌনা লিংজেল খংমাঙ মাঙখ্রে। নুপা অনীদুগী মরক্তগী অৱাংবা অদুনা মখোল লূম লূম লাউনা লৈবাক মচা য়াম্না তানা হায়রকই,

"পাবুং, পাবুংগী শঙ্গোইদা খাল্লিবা স্কুটর অসি ঙাইহাক্তা ৱায়জদবা য়াদ্রে?"

রাজেননা মশা থক থক নিক্লা ৱা ঙাঙবফাও তৎ তৎ তৌনা হায়জে, "এ এ ইবুংঙো মসিদি নখোয়না ৱায়গে হায়বসিতদি ইপাদা অমুক হায়বিরগনু।"

"হেরা পাবুং, মদুম হায়বিগনুদা নশা ইনোয় হেক নোয়রদনা, অদুক হাক্লা য়াম্না কুইনা ৱায়গদবসু নত্তে। থাবলগী মঙালসিদা পাবুংগী স্কুটর অসিনা খাম্বা অসুম হেক উজরুবদগী ঙাইহাক্তং অরুবা থবক অমগীদমক ৱায়জগে চঙজরকপনি। পাবুংগা ইমাগনা অদুক হাক্লা লান্না খনবীগনু।"

বিমোলানসু মখোল শিরুম শিরুম মশা থক থক নিক্লা হায়রকই, "ইচাশা! স্কুটর অসিতদি ইমাখোয়দা ইচাশিংনা ৱায়গে হায়না ৱা মখা তাবিরগনু, অতৈ অতোপ্পা কনাদনো অমা ওইনা অমুক্তা থিবিরুরো, ইচাশা শাউবা য়াদ্রেকো।"

নুপা অৱাংবদু মাগী চীং লেম্বা মতৌদু থাদোক্লগা খোল খিৎতং পৌরপ তৌনা হায়রকই, "হেরা, ইমা, ঙাইহাক্তনি ৱাইজগদৌরিবসি, ফীভম্না য়াদদুনা হায়জবনি। থংনবা খুলদা ঐখোয়গী অরুবা খূৎলায় অমা ঙসাই অদুক কাউরম্লে হায়বগীনি পাবুংগা ইমাগদা হায়জরিবসি।"

অথাপ্পদা নোংমৈ কাপ্পবগী মখোলদু হৌজিকসু মতৎ মতৎ ওইনা লেপ্পা লৈত্রি। রাজেনগা বিমোলাগা মতৈ মনাউদু অৱাংবা নুপাদুগী খংকন কনবা খোল্লে খোন্দা অমদি চক্রিদুদা মীৎ-না খংশিং খংশিং শিংই। মখোয়গা ৱারী শানবদা মতৈ মনাওদু হায়গদবা ৱাগা লোইনা পুমকাউ কাউই হায়বদু তৌরে।

নুপাদুনা হায়রকই, "ঐখোয়না হায়জবসি য়াবিররোইদ্রা, পাবুং?"

রাজেননা মথম্মোয় ফাথজরগা মখোল শেম্মগা য়ানীংদা য়ানীংদনা হায়রকই, "আহ... ফরে ফরে নমাগা ইবানীনা হায়জবদা য়াবিদ্রবনিনা, ৱায়য়ু ৱায়য়ু য়ানি, ইবুংঙোখোয় য়ানি!"

বিমোলাদু মখোল থক থকনীক্লা হায়রকই, "হোয় হোয় ইবুংঙোখোয়, ৱায়রো ৱায়রো অদুদি... নখোয়নবু ৱায়নীংলবদি।"

"তো অদুইদি, পাবুংসু ইমাসু নচাখোয় য়াম্না নুংঙাইজরে, থাগৎচরি অনীমকপু, অদুগা পাবুংগী নোইবদু হন্থনবা হীদাক অমসু হোরেল ঐখোয়না হল্লক্লগা পাবুংদা ফজনা তাকচরগে। পাবুং অদুইদি গাড়ীগী ছো পীবিরো।"

"ইবুংঙো, ছোদি গাড়ীদা অদুম নুমিৎচূপ্পা অমা য়াওদুনা লৈরবনি।"

"ও কে, পাবুং! য়াম্না ফবগী ৱানি।"

নুপা অনীদুনা শঙ্গোয়দা খাল্লিবা স্কুটর অদুগী মনাক্তা চঙশিনখিদুনা গাড়ীদু ছো হাংবা নাইদনা অদুম শুমাঙদা তপ্না তপ্না ইন্থরক্লে। মবানিদু নোক্লা নোক্লা স্কুটর অদু কিক কাওই অহানবদা ষ্টার্ট হৌদে। হঞ্জিন-হঞ্জিন অমুক কিক কাওই ষ্টার্ট অদুম হৌদে। অহানবা ষ্টার্ট হৌদবদু মখোয় করিমত্তা না ওইনা তৌদে। হন্না হন্না কাওরবসু ফুৎ ফুৎ তৌরগা অদুম লৈরে। কুন/কুন্থ্রারক খোঙউপ শেগায়বমখৈ কাওরবফাওবদা ধু ফাওবা অমুক্তা লাউবিদ্রে। কাওরিবা নুপাদুনা য়াংখৈ হুম্ফুরক হুমাং তৈথোক তৈথোক্তুনা কাওরবফাওবদসু স্কুটরদু ফুদ্রুৎ ফাওবা লাউবিদ্রে। কুম্ভ কর্ণবু তূম্বা হৌদোকপগা চপ মান্নখরে। গাড়ী অদু নাকল ফক্তুনা করিনো মরী মরাং খরা চিং খোক্তুনা কাওরগা য়েংই অহোংবা লৈতে। মপাম্বোম চাউনা মরৈ মরৈ তাবা নেমপক তৌবা মকোই চোম্বা নুপা অমদুনমুক শিন্দুনা মাগী লাইবক চাং য়েংই, লৈজবী থাদুনা কিক কাওই স্কুটরদু মরোল মরী থোক্তে। মানা কাওবদনা অমুক্কা হেন্না ষ্টার্ট হৌদ্রে হায়বদুনি। মখুদাংনা লাইবক্কী হুমাংদু ফৈনা অমুক্তং নাম্থোল্লগা নেম্না মুজাউ চাউবা রোল্লর থৌবা মানবা নুপাদুনা শ্বর থবেৎ থবেৎ তৌরদুনা হায়রকই, "পাবুং, পাবুংগী গাড়ী অসিবু কমাইনা ষ্টার্ট হৌবগে অমুক্তা হায়বিয়ু।"

নুপাশিংদুনা করি হায়রক্কদগে পাখৎচবা অমগা লোয়ননা তনিক তনিক তৌজরবা খোঞ্জেলদা খরা ফরনি খন্দুনা বিমোলানা ওইনা মপুরোইবগী মহুৎ শিঞ্জদুনা খুল্লকই, "ইবুংঙোখোয়, ইমাখোয়নবু ঙসাইনা নবানীদা গাড়ীসে ৱায়বা য়ারোই, য়ারোই হায়দনা ফন্দি হায়জখিবদুনি, ইবুংঙোখোয়না য়াবিখিদবনি। ইমাখোয়বু লান্না লৌগনুকো।"

"করিনোনে ইমানা হায়বিরিবা ৱা অসিবো ভাব অমা তাদ্রেনে ঐদি, সিদবু করি লান্না লৌগদৌরিবনো? ইমানদুম ঐখোয়দুম লান্না লৌবীরমাল্লে।"

"ইহে ইহে ইমানা হায়দি অদু নত্তেনে, অতো নখোয়বো শাউনুনে তাও ইমানা হায়রিসে...। নখোয়না হৌজিক থৌগে লাক্লরিবা স্কুটরদো অদুদিনে...।"

"মখা তাবীয়ু ইমা।"

"... নখোয় পাবুংগী মশা নোয়বা চাওখৎপা ফননবা অয়ূক খুদিংগী কিক খরা খরা কাওজদুনা হুমাং খরা খরা লৌথোকচনবা হায়দুনা থমজবা স্কুটর অমনবনে, ইবুংঙোখোয়। অদুনে ইমানা হায়রিসে!"

"হা করি হায়বা ইমা?"

"নঙ' পাবুংগী হকচাং শাজেল তৌনবা থম্বা স্কুটরনে হায়বা, ইচাশা নোয়বো!"

বিমোলানা হায়বদু নমহৎলগা রাজেননা অমুক ওক্লদুনা হায়রকই, "মনুংদা থাও টেঙ্কিগী মরী ফাওবা য়াওপোৎত্রেদা ইপাগীসে, ইবুংঙোখোয়ঃ"

অৱাংবা নুপাদুনা পাখৎনা হায়রকই, 'অস, কমাই তৌনি সিদে? থেঙনগাথোঙজিল্লকপনে নোংমৈনগা কাপ্পবনে, ঐখোয়সু লম্বী শেম্বগী খূৎলায় মচা অমা থংনবা খুন্দা কাউরম্লে মদু হয়েং নোং ঙাল্লবদি মাঙলগনি হায়দুনা লৌজরুগে তৌজবনে, পাবুংখোয়। ঐখোয় লম্বী শেম্বনে। অৱাং লৈকায়গী স্কুল অমনবা অদুদা লৈজগদৌরিবনি ঙসিদগী।"

"অদুবু নখোয়না ঙসাইনা কোক হায়বা য়াদ্রা?"

"কাউবনে পাবুংখোয়, ঐখোয়না ইচম চম্না খন্দুনা শক লাং ইতাক তাকচহৌদ্রে। অদুদি পাবুংখোয় ইমাখোয় ঐখোয় অনী অমুক য়ৌজখ্রগে।"

মবানি চৎখ্রে। বিমোলাগা রাজেনগা মতৈ মনাউ অনীদু নুংশা শ্বর অশাংবা অমা হোন্দোকহৌই। ●

### আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপকী মখাদা ইজবা

# মণিপুরগী শুমাং লীলা কুন্টি পার্ট ফোরদা চীফ মিনিষ্টরগী পি আর ও মংলেমগী শক্তম লাংখিবা অথোকপম সন্তোস

– বিজয় লাইশ্রম –

মণিপুরগী শুমাং লীলা অসি মতম অমদা মীয়াম্না চেবাউ পীবা চৎপা মতমদা নোংমা-নীনিগী মমাঙদা এদভান্স ওইনা অঙনবা মতমদা চৎহৌদ্রবদি লীলাগী শো টাইমিং অসি অঙনবা ফংদদুনা থর্দ শো অমদি অহিংদা ফাওবা লীলা কৌদুনা শান্নবা য়াওনখি। অদুবু মতমগী অহোংবা মতুংইন্না হৌজিক লৈকায় লৈকায়দা লীলা কৌদুনা শান্নবা অমদি য়েংবগী চাং অসি খরদি হন্থরে হায়বা য়াই। মসি লীলা য়েংবীনবা ভাবোক মশীং ৱাৎপদগীদি নত্তে, লৈকায়দা শুমাং লীলা অমা কৌদুনা শান্নবা মতমদা কিলোমিটর মরি/মঙাগী অকোয়বদা লৈবা মীওইশিং লীলা য়েংবা লাকপা অদুম থেংনৈ।

মরু ওইনা মীয়াম্না শুমাং লীলা কৌদুনা য়েংবগী মতমসি য়াওশঙ মতুংনি। হায়রিবা মতম অসি মীয়াম্না চাকচা হৈজানবা মতমদা শুমাং লীলা কৌদুনা য়াম্না য়েংনরম্মী। কুমজা ২০০৪দদি লীলা অমা কৌবা মতমদা লুপা ১০,০০০দগী ১৪,০০০ ফাওবা লৌনরম্মী। অদুগা মতমগী মতুংইন্না হৌজিক্লা লুপা ৩৮,০০০দগী ৪০,০০০গী চাংদা য়ৌরক্লে। মসি মরু ওইনা লীলা পার্টি টিম অদুনা চৎপা মতমদা বস, ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্ট অমদি সাউন্দনচিংবা য়াওরকপা অমদি পোৎ চৈগী মমলসু ৱাংখৎলকপননি। লোয়ননা য়াওশঙ মতুংদা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস টেন অমদি কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন, মণিপুরনা লৌবা ক্লাস ত্বেলভকী এগজাম লোয়ননা সী বি এস ঈনচিংবা এগজাম লৈবনা মরক মরক্তা অথিংবা থল্লকপা অসিনা শুমাং লীলা তৌজরিবা আর্টিষ্টশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। অদুবু মহৈরোয়শিংগী এগজাম হেক লোইখিবা মতমদদি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা মীয়াম্না শুমাং লীলা কৌদুনা য়েংনবা অদুম য়াওরি। নোং চুরগদি লীলা কৌবগী চাংসু য়াম্না হন্থে।




মণিপুরগী শুমাং লীলাগী নহা আর্টিষ্ট ওইনা বেষ্ট কোমেদিয়নগী মনা কয়া ফংখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থোংজু পার্ট টুদা লৈবা অথোকপম সন্তোস (৩৮) গা পাউচে অসিগা অখন্ননা উন্নবদা সন্তোসনা হায়, মহাক অথোকপম তেন্দেল অমদি অথোকপম ওংবী লৈবাকলোৎপী অনীগী মচানুপা অমগা মচানুপী অমগা পূন্না মচা অনীগী মনুংদা মহাক্লা অহলনি। মহাক কাঞ্চিপুরদা লৈবা কেথলিক স্কুলদা ক্লাস ৱান্দগী টেন ফাওবা তম্লগা কুমজা ২০০০দা মেত্রিক পাস তৌখি। ক্লাস এলেভেন অমদি ত্বেলভনা কাঞ্চিপুরদা লৈবা লিটল রোজ হায়র সেকেন্দরিদা তম্লকখি, মতুংদা মণিপুর কোলেজদা কুমজা ২০০৬তা বি এস সী পাস তৌখি।

মহাক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা অদল্ট এদ্যুকেসন সবজেক্টতা কুমজা ২০০৮দা পাস তৌখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর এম এ থার্দ সেমিষ্টর থিএটর দিপার্টমেন্টতা তম্লি। মহাক অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লীলা অমদি ফাগি জুগাই তৌদুনা শান্নবা অসি য়াম্না পাম্লকখি। কুমজা ২০০০দা খুরাই থৌদাম লৈকায়দা লৈবা ওজা রুহিনিকুমারগী মখাদা অহানবা ওইনা 'নোকফদে' দা য়াওখি। মরু ওইনা মীগী মখোল শাদুনা দি দি কে ইম্ফালদা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌখি। মদুগী মতুংদা কুমজা ২০০৪গী ওগষ্টতা শুমাং লীলাদা 'পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসন' দা য়াওদুনা তোঙান তোঙানবা ওজা লৈখিদ্রবা বিরজিৎ ঙাঙোম্বা, ওজা য়ূম্নাম রাজেন্দ্র, সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি, ন্যু দেল্লীগী এৱার্দি ওজা লাইশ্রম কুঞ্জরাজ মীতৈ (গৌরো), ওইনাম থোইবগী মখাদা লীলা তমদুনা তোঙান তোঙানবা শুমাং লীলা ৪০ রোম শান্নখ্রে। অদুগা শুমাং লীলাগী প্লে উৎতুনা শান্নখিবনা মশীং ৩০০০ রোম হেল্লগনি হায়রি।

মহাক কুন্টি পার্ট ফোরদা চীফ মিনিষ্টরগী পি আর ও মংলেম শাখি। লীলা অসি শো ২০০ রোম মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা উৎখি। পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী মখাদা শান্নখিবা মরু ওইবা লীলা খরগী মমিং ওইনা পল্লবদা কুন্টি পার্ট ফোর, পিজা, ইনম্মা, থরোই অহাম্বে মহাউ, গুসমোগী খুদোল, অরূবা ঈচেল, ঈশিং চাইবী, মৌ অহুম অমদি নিংঙোল অমা অসিনচিংবনি। মহাক্লা বেষ্ট কোমেদিয়ন তাখিবা লীলানা কুমজা ২০১৫-১৬তা ইনম্মা, কুমজা ২০১৭-১৮দা থরোই অহাম্বে মহাউনি। কাইরবা চফুনা কুমজা ২০১৪-১৫দা সেকেন্দ বেষ্ট কোমেদিয়নগী এৱার্দ ফংখি। মসিদা নত্তনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শিনবা শুমাং লীলা কম্পটিসনদা তোঙান তোঙানবা এৱার্দ কয়াসু ফংখ্রে।

কুমজা ২০১৫দা শুমাং লীলাগী ওইনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা য়ঙ টেলেন্ট এৱার্দ, কুমজা ২০১৭-১৮দা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শিনবা ৪৬শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলদা 'থরোই অহাম্বে মহাউ' দা শাফবগী রোলদা বেষ্ট এৱার্দ কোমিক রোলগী মনা ফংখি। কুমজা ২০১৫-১৬তা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৪৪শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলদা 'ইনম্মা' হায়বা লীলা অসিদা অগোর মোমোন শাবদা বেষ্ট এক্টর কোমিক রোলগী মনা ফংখি। কুমজা ২০১৪-১৫দনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৪৩শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলদা 'কাইরবা চফু' দা ফৈজাওগী রোল লৌবদা সেকেন্দ বেষ্ট এক্টর কোমিক রোলগী মনা ফংখি। কুমজা ২০১৪-১৫দা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা পীবা কেটাউন অদীল এৱার্দসু ফংখি। মসিদা নত্তনা কুমজা ২০১৪-১৫দা সী সী আর টি মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীবা জুনিয়র ফেলোসিপ এৱার্দসু ফংখি। কুমজা ২০১৬-১৭তনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি, ইম্ফালনা শুমাং লীলাগী মতাংদা ফেলোসিপকী এৱার্দনচিংবা ফংখ্রে হায়রি।

হৌখিবা কোরোনাগী মতমদা লৈবাক্কী ওইনা য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদবা অমদি ওর্গনাইজেসন কয়ানা শুমাং লীলা তৌবা মতমদা অথিংবা কয়া থল্লকপনা মরম ওইদুনা আর্টিষ্টশিং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খুদোংচাদবা অৱাবা কয়া চাউনা মায়োক্লখি। লীলা অমা শান্নবা মতমদা আর্টিষ্টশিংনা শেৎ চারিবা ফিরোলশিং অসি লীলাগী ফন্দদগী পুথোক্লগা লৈবনি। লীলা অমা পুথোক্নবা হোৎনবদা লুপা লাখ অহুমদগী মঙা ফাওবা চঙবা য়াওই। মসি মরু ওইনা ত্রেদিসনেলগী ওইবা ফিরোলশিং লৈবা মতমদা মমল য়াম্না ৱাংবননি। লীলাদি শান্নদবদি য়াদবা মরু ওইনা নুপী শাবীশিংগী ফিরোল অসি মমল য়াম্না ৱাংই।

মণিপুর মপানগী ষ্টেট মরু ওইনা দেল্লী, মহিশুর, ভোপাল, কোলকটা অমদি গুজরাটনচিংবদা মণিপুরগী লীলা অসি শান্নবা চৎলুবদা য়াম্না নুংঙাই। লীলা শান্নবা আর্টিষ্টশিংনা খ্বাইদগী নুংঙাইজবসি থিএটরদা শান্নববুদি ষ্টেজ শারগা মীয়াম্না মায়কৈ মরিদগী মী চোন্না তিল্লগা য়েংবনা হেন্না নুংঙাই। অমুক্কা হেন্না নুংঙাইরিবদি আর্টিষ্ট অমনা লৌরিবা রোল অদুদা ভাবোক্লা পেনবীদুনা খুবাক খুরকপা অসিনা মখোয়দসু য়াম্না নুংঙাইবা অমা মশাদা পোকই। কুমজা ২০২০দা ভোপালদা চৎলগা 'মোইরাং পর্ব্ব' খোইরেনতাক শান্নখি। মদুদা সন্তোসনা শৌরাগী রোল লৌদুনা শান্নখি। কুমজা ২০০৭তা মুম্বাইদা 'লৈকং থম্বাল' শান্নবদা মহাক্লা পঞ্জি হানুমান শাখি। লীলা অদু মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা অমা ওইদুনা মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা শান্নখি। মতম অমদদি মণিপুরদা লালহৌবগী ঈৱাং অসি খরা কল্লিঙৈ মতমদুদা ঐখোয়না লীলা শান্নবা চৎপা মতমদা লীলা শান্নফম অদুগী মনাক্তা নোংমৈ কাপ্পরকপদগী ময়াম কায়দুনা চেন্নখ্রগা লীলা পার্টি ফাওবা অসাম রাইফলসনা ফাজিন্দুনা দিটেন তৌদুনা থম্বা কয়া য়াওখি। নোংমদা লীলা শো অহুম শান্ননবা হোৎনবদা ৱারবসু ৱানা মীয়ামগী থৌগলদি পাঙথোকপা ঙম্নবা অদুম হোৎনৈ। শুমাং লীলা শান্নবদা চঙবা পোৎলমশিং অসি ঙল্লিঙৈ মতমদদি লীলা কৌরিবা মীওইশিং অদুনা হান্না থৌরাং তৌহল্লম্মী অদুবু হৌজিক্তি মতমগী মতুংইন্না লীলাগী আর্টিষ্টশিংনা লোইনা থৌরাং তৌদুনা পুনরে।

সন্তোস লীলা য়াওবদা নত্তনা মণিপুরী ফিল্ম কয়াদসু মরু ওইবা রোল লৌদুনা শরুক য়াবা য়াওখ্রে। মরু ওইনা থম্বাল মঙাল, শুক্কে কেদনা নিংথিজবী, পম্বুংগী ৱাংমদা, সন্দ্রেনবী পরেং, ঐগী তোলঙৌ, নঙসু খঙউ অমদি থরোই অহাম্বে মহাওনচিংবনি। মণিপুরদা লীলা, দ্রামা অমদি সিনেমা তৌরিবা অসি মীয়ামগী শকয়েং মিংশেলনি হায়নরিবনি। অদুবু আর্টিষ্টশিংনা অহল ওইরক্লবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্লা হান্না খরা পায়খৎলিবা অসিগী মথক্তা খরা হেন্না অখন্নবা থৌরাং অমদি লৌখৎপীবা মীয়াম্না পাম্লি। মীয়ামগী থৌগাই মতম শাংনা তৌরম্লগা অহল ওইরক্লবা মতমদা আর্টিষ্টশিংগী মরক্তা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অৱাবা থেংনরিবা অসি লৈহন্দনবা লৈঙাক্লা মতম চানা থবক খরদি লৌখৎহন্নীংই। ●